# লোকদাউন মনুংদা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং (মণিপুর)

☞ শা-ষণগী পোত্থোক অমদি শা-য়েন, ঙানু, ঙাগী মচিঞ্জাক, উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা-মশিং অতৈ অতৈ অমদি লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনবা দুকানশিং হাংবা য়ারে।

☞ মনা-মশিং লৈবীনীংবশিংনা ওনলাইনগী খুত্থাংদা **www.freshifresh.com** দগী লৈবীবা য়াগনি অমদি মখোয়নসু ইন্ফাল ইষ্ট অমদি ৱেষ্টকী মফম খুদিংদা মনা-মশিং সপ্লাই তৌহনবগী অয়াবা পীরি।

☞ উহৈ-মনা মশিং অমসুং গ্রোসরি আইটেমশিং ইন্ফালগী সহরশিংদা ইন্ফাল ইষ্ট জিলাগী শা-ষণ অমসুং ***e-KEITHEL*** দা য়োলহন্নবা অয়াবা পীখ্রে। হায়রিবা অসি ইন্ফাল ইষ্ট অমসুং ***e-TARET*** তসু য়োলহন্নবা/মীয়ামদা ফংহন্নবা অয়াবা পীখ্রে।

☞ লৌমীশিংনা য়ুমদা য়োকপা জীবশিংগী মকোলশিং চাং নাইনা শেংদোক্নবগীদমক ফীনোল এম এল ১ ঈশিং লিটর অমদা শীজিন্নদুনা লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্নবা পাউতাক পীখ্রে।

☞ য়েন ঙানুশিংদা অশং-অমান অমদি তকখায়রবা চুজাক নৎত্রগা চেঙ পীজনবা খঙহনখ্রে।

☞ শা-ষণগী মচিঞ্জাক ফংবদা ৱারবা লৌমীশিংনা মশানা শেমজবা অথোংবা চুজাক/চেঙ মতম-মতমগী মনা-মশিংশিং, পানগী মরূ, চাকখুমগী লেমহৌখাকশিং, অকঙবা ঙাগী পোত্থোকশিং শীজিন্নদুনা শা-ষণগী মচিঞ্জাক পুথোকচবা য়াই।

☞ পামলৌ উবা লৌফমশিংদা লৌমীশিং মিটর ১ লাপ্পনা লৈদুনা থবক শূনবা পাউতাক পীখ্রে।

☞ অহেনবা মনা-মশিংগী পোত্থোকশিং ফৌদোক্তুনা কোন্না শীজিন্ননবা থন্বীবা য়াই।

☞ অহেনবা শগোল হৱাইগী পোত্থোকশিং বোরি শেন্বীবা য়াই।

☞ অহেনবা হৱাই মঙ্গলশিং বেসোন ওন্থোকপীবা য়াই।

☞ অহেনবা খামেন অশিনবশিং জাম, জেলি অমদি কেটচপলোমদা ওন্থোকপীবা য়াই।

☞ অহেনবা শঙ্গোমশিং শঙ্গোমগী পোত্থোকশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঘী, কিথি, সনা, খুদক্তা থকপা য়াবা শঙ্গোম অফব্বা শেন্বীবা য়াই।

☞ লৌমীশিংদা ভারত সরকারগী **AAROGYA SETU APP download** অমদি **Install** তৌদুনা চাং নাইনা **COVID-19** গী মতাংদা অমদি ইশাগী ফীভম য়েংনবা পাউতাক পীখ্রে।

# লোকদাউন লোইরবা মতুংদা লৌমী ইচিন-ইনাওশিংনা ইনগদবা চৎন-কাঙলোনশিং
# (মেগী তাং ৩, ২০২০গী মতুং)

☞ মতম খরা কুইনা লীনবা মতমগী হৈ-রা, মনা-মশিং খুদম ওইনা হায়রবদা চমপ্রা, লফোই, অৰাথবী, খামেন অশিনবা, খামেন, ভেলেন্দ্রি, মোরোক, কোবীলৈ, কোবীফুল অসিনচিংবা ময়ামশিংসি যূমদা নৎত্রগা ফর্মদা জিরো ইনর্জি কুল চেম্বর শেন্বীরগা থন্বীবা য়াই।

☞ হৌজিক মতমসিদা ফংলিবা মাইরেন, দসকুশ, খোংদ্রুম, তরবুজ অসিনচিংবা ময়ামশিংসি নুমিৎ ৭-১০নি ফাওবা থেংথনা হেকপীবা য়াই নৎত্রগা হেক্তোল্লবা পোখোকশিং ফর্ম নৎত্রগা যূমগী উরুমদা থন্বীবা য়াই।

☞ মপুং ওইনা নোংজুথা লৌরোক্কীদমক ফৌগী লৌহোন শেন্বা হৌবা য়ারে।

☞ ফৌদিগীদমক্তা কে ভি কেশিংদা নৎত্রগা আই সী এ আর লম্ফেল, মণিপুর নৎত্রগা সী এ য়ু, ইরোইশেন্বদা নৎত্রগা লৌউ-শিংউগী লোইশঙদগীসু অপান্বা ফৌদি মমল পীরগা লৌবীবা য়াগনি।

☞ ঙাগী ফর্ম নৎত্রগা শা-ষণ, য়েন-ঙানু লোয়রীবা ফর্মশিংদা মীতোপ চঙহনবীরোইদবনি।

☞ শা-ঙা য়োনবা নৎত্রগা ঙা ফাবা মতমদা য়োল্লিবা মীদু মায়খুম অমদি গ্লোব উপ্পীগনি, লাপ্পা লৈবগী হৈনবী থন্বীগনি।

☞ শা-ষণ, য়েন-ঙানু লোয়বদা শীজিন্নরিবা কোল-লিকশিং চান-থক্লবা পাত্র খুদিংমক সাপোনগুন্বনা শেংনা চামথোকপীগনি।

☞ য়েন-ঙানু, শা-ঙা লোয়বীরিবশিংনা মচিঞ্জাক পীজবা মতমদা কা হেন্না পীজবীরোইদবনি। নুংতিগী পীজরিবা চাংদগী ৰাৎনা পীজবীগনি।

☞ মতম মতমগী ওইনা শা-ষণ, য়েন-ঙানু পূম্নমক টিকা থাবীগনি অমদি মরী লৈনবা কে ভি কেশিংদা চৎপীদুনা নৎত্রগা মনাক নকপা দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি ওফিসতা লৈবা ডাক্তরশিংগা তানবীরগা টিকা থাদোকপীগনি।

☞ ঈশিং লৈরবদি অঙনফৌ থাবা য়ারি।

☞ নোংজুথাগী মনা-মশিং থানবগী চারা শেন্বা হৌবা য়ারে।

☞ ঙাশিংগী মচিঞ্জাক মরাং কায়না লৈত্রগসু অকোয়বদা লৈরিবা মনা মশীং ঙাগী মচিঞ্জাক ওইনা পীজবীবা য়াই।

☞ নোংগী ঈশিং য়ারিবমখৈ য়োকশিনবীগনি।

☞ হৈ-রা অমদি শা-ঙাশিং মতম কুইনা লীনবা মফম খুদিংমক্তা পুবা য়াবা কোল চেম্বর নৎত্রগা কুল ষ্টোরেজ অমা থন্বীবা য়াই।

☞ হৰাই পাম্বীশিং চুজাক্কা লোয়ননা থাবীয়ু।

☞ এগ্রিকলচর অমসুং হোর্টিকলচরেল ক্রোপশিংগী লায়না তীলনা ঙাকথোক্লবা অমদি পাম্বীগী মচিঞ্জাক পীনবগীদমক অপূনবা খোঙজং (ইন্টিগ্রেটেদ মেনেজমেন্ট) শীজিন্নবীয়ু।

☞ অকূপ্পা মরোলগীদমক মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা কে ভি কেশিংগী অখণ্ড-অহৈশিংগা তানবীয়ু।